কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবদগী গুৱাহাতিদা অনৌবা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে



গুৱাহাতি, জুন ০৫ (এজেন্সি):

গুৱাহাতিগী মালিগাওন এরিয়াদা লৈবা গোশালাগী কৃষ্ণ নগর অমসুং সেন্ট্রেল জেলদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস থেংনবদগী ওথোরিটিশিংনা মফম খরদা অনৌবা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে।

সেন্ট্রেল জেলগী অৱাং থংবদা লৈবা হীরেন টেরোন অমসুং কোফি বোদ ওফিসকী রেসিদেন্সপু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লে। সেন্ট্রেল জেলগী খা থংবা লম্বীগী শরুক, এস এস বিগী কেম্প অমদি অসাম পুলিসকী প্লোট লোয়নন সেন্ট্রেল জেলগী মেন গেট অমদি মমাংথংবা শরুক্তসু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মখা তানা শন্দোরক্তনবা গুৱাহাতি রেভিন্যু সর্কলগী সর্কল ওফিসরদা মফম অদু খুদক্তা সীল তৌশিন্নবা খঙহনখ্রে। কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মফম অদুদা চঙবা অমসুং মফম অদুদগী থোরকপা য়াহনখিদ্রে।

চৈরকসিদা, মীওই ৩৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়নন অসামদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী অপুনবা কেস মশিং ২,১৫৩ শুরে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা হায়খি, নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৩৮ গী মনুংদা দরং দিষ্ট্রিক্টকী ১৩, দিমা হসাও দিষ্ট্রিক্টকী ৯, নগাওন দিষ্ট্রিক্টকী ৭, সোনিটপুরগী ৪, হায়লাকান্দিগী ২ অমসুং করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ২ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং ৪ শুরে। অনাবা মীওই ৪৮৯ না লায়েংবদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা অনৌবা কেস ২৮৫ থেংনখিবগা লোয়নন নোংমখক্তদা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না হেনগৎলকপা ওইখি।

চৈরকসিদা, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌখিবনা অসামগী ফোক আর্টিষ্টশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। এন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম পুম্নমকসু লেপখ্রে।

এম এন এফকী মীরেপ থাদোকখ্রে

আইজোল, জুন ০৫ (এজেন্সি):

মিজোরামদা লৈঙাক পায়রিবা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ)না ঙরাং পার্টি অসিগী য়ুথ ৱিংগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কে কনলালবেনাবু রাজ্য সভাগী মীরেপ ওইনা পুথোকখ্রে।

ষ্টেটকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন মিনিষ্টর ওইরিবা এম এন এফকী এদভাইজর লালরুৱাটকিমানা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা পার্টিগী প্রসিদেন্ট জোরামথঙ্গনা চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা নোমিনেসন কম্মিটিগী মীফম্না কনলালবেনাবু মীরেপ ওইনা থাদোক্লবা ৱারেপ লৌখি। ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্য সভাগী সীট শোয়দনা ফংবা ঙম্লগনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লালথনহোলানা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

আর্মি ওফিসর অমা পোজিটিভ ওইরে

অগরতালা, জুন ০৫ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাদা আর্মি ওফিসর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। ষ্টেট অসিদা আর্মি ওফিসর পোজিটিভ ওইবগী থৌদোক হন্দক্লা অহানবনি। অতোপ্পা মীওই ২৫ সু ঙরাং নুমিদাং পোজিটিভ ওইখি।

আর্মি ওফিসর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী মতাংদা মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্ট পুম্নমক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। সেন্ট্রেল জেলদা লৈবা মীওই ৬ সু ঙসি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ৬৪৭ শুরে।

মিজো জিরলাই পোলনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

আইজোল, জুন ০৫ (এজেন্সি):

মহৈরোয়শিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা মিজো জিরলাই পোল (এম জেদ পি)না অৱাং থংবা ত্রিপুরাগী জমপুই হীলসতা ব্রু কাঙলুপকী মীওইশিং খুন্দা-লৈতাবগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। মহৈরোয়শিংগী লূপ অসিনা থাদোরকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, হৌখিবা জন্যুৱারি ১৬ তা খুৎয়েক পীনখিবা য়ানচেগী চৎন-কাঙলোন ৱাংমদা ব্রু কাঙলুপকী মীওইশিং জমপুই হীলসতা খুন্দাহনবা চুমদে। ব্রুশিংগী মতাংদা অরোয়বা ৱারোইশিন পুরকপদা তরাম্না ওক্লি। অদুমওইনমক মিজোশিংগী লমদা ব্রু ফুরুপকী মীওইশিং খুন্দাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই হায়রি।

নাগালেন্দদসু কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৪ হেনগৎলক্তুনা অপুনবা কেস মশিং ৯৪ শুখ্রে

দিমাপুর, জুন ০৫, (এজেন্সি):

নাগালেন্দদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৪ হেনগৎলক্তুনা অপুনবা কেস মশিং ৯৪ শুরে। চেন্নাইদগী হল্লকপদা ঙাইরিবা মীওই ২৩৫ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৪ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর এস পি ফোমনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবা লায়না অসিনা মী শিবগী থৌদোক অমত্তা থোক্ত্রি। এক্তিভ কেস ৯৪ লৈবা তারবসু অতোপ্পা মীওই ৯৪ দি লায়েংবদগী ফগৎলক্তুনা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

নাগালেন্দ গভর্নমেন্টনা অনৌবা ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিজর অমা ফোংখিবগা লোয়নন অতোপ্পা ষ্টেটতগী হল্লকপা মীওই পুম্নমক স্ক্রিনিং তৌরগা মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টতা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। শগোলশেল নুমিত্তা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবনি।

এগ্রীকলচর প্রদক্সন কম্মিস্নর ৱাই কিখেতো সেমানা চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা মপান্দগী হল্লকপা মীওই পুম্নমক নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

বেঙ্গলোরদগী ট্রেন তোংদুনা হল্লকখিবা মীওই ১,৫০১ গী মনুংদা দিমাপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ৭৫৭ এগ্রী এক্সপো সাইটতা থমদুনা স্ক্রিনিং তৌখি। অতোপ্পা মীওই ৭৪৪ না দিমাপুর রেলৱে ষ্টেসন্দা স্ক্রিনিং তৌরগা টুয়েন্সাং, মোন, লোংলেং, কিফিরে, জুনহেবোতো, ফেক, মকোকচুং, ৱোখা পেরেন অমদি কোহিমানচিংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হলহনখি।

মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিং থুংদ্রিদ্রৈগী মাঙওইননা দুকান পুম্নমক থোঙ লোনশিনহনখি অমসুং লম্বীদা গাড়ি অমত্তা চেলহনখিদে। এগ্রী এক্সপোদা হাংদোক্লিবা ক্কারন্টিন সেন্টরদা ট্রান্জিট কেম্প ওইনা শীজিন্নরগা মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিং থুংহনখি। মফম অদুদা ক্কারন্টিন তৌদুনা লৈরম্বা মীওইশিংবুনা অতোপ্পা ক্কারন্টিন সেন্টরশিংদা মাঙজৌননা হোংদোকহনখি। মপান্দগী হল্লকপা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

ষ্টেটকী পাউ

লম্লাই এ সীগী লৌমিশিংনা ফৌদি ফংদবনা লৌ উবা য়াদবদগী লৈঙাক্তা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস) :

চী চা কয়াগী মমাংদগী লমদমসিদা নোংজু পান্থা লাক্লবা মতমদা লৌউবগী চৎনবী ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। চহী খুদিংগী লৌ উবা হৌনরকপদা মতম চানা ফৌদি মরাং কায়না ফংদবা, ঈথৈ লৌখোং মতিক চানা শেন্দিবা, হার মরাং কায়না ফংদবা, ফংলবসু লৈঙাক্লা লেপ্লিবা মমলদগী কা হেন্না মমল ৱাংনা ফংবদগী চহী খুদিংগী লৌ উনবা হোৎনবদা লৌমি অয়াম্বনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অদুবু লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা লম্লাই এসীদা লৈরিবা লৌমিশিংগীদমক করিমত্তা য়েংশিনবিরক্তবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়না নোংঙাদা, তেল্লৌ-চানা, লৈমখোংমপাল অমদি শৈজাংগী লৌমিশিংনা পেন্দবা ৱাকৎ কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

নোংঙাদাগী লৌমি ৱাহেংবম সমন্দ্রেনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৭দা ঈশিং-ইচাউ থোকখি। ওল্লকপা চহীদসু ইকং থোকখিবনা ঈশিং চিংনবা ইঞ্জিন ৱাইদুনা লৌ পান্নবা হোৎনখি অদুবু মপুং ফানা লৌ লোকখিদে। হন্দক চহীগী ওইনদি নোংখরা তারকপনা লৌ উনবা কন্না হোৎনবা হৌরে। অদুবু হৌজিক ফৌদি ফঙদবনা লৌ উনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনরে। অসুম্না চহী খুদিংগী করিগুম্বা মরম অমা নত্রগা অমনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদনা লাক্লি। মরম অদুনা লৌমিশিংনা লৌ উবদা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা পোৎশকশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু। মমাং চহীদা ইকং থোকখিবনা লৌ উখিদবা অদুগী লৈঙাক্লা শেলগী মতেং পীগনি হায়বদুসু ঙসি ফাওবা ফংদ্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

ওইনাম মঙ্গি কৌবা চানাদগী লৌমি অমনা ফোঙদোরকখিবদা লৌ উনবা ঈশিং মরাং কায়না ফংদ্রিবা অসিগী মথক্তা ফৌদি মরাং কায়না ফংদবনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়কৈ অসিগী লৌমিশিংদা মায়োক্লহল্লে। এগ্রিকলচর অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা ফৌদি পীনবা হায়জরুরবসু ফৌদি লৈত্রে হায়না পীবিরক্তবদগী খুঙ্গংদা লৈজরিবা লৌমিশিংনা লৌ উবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে। মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্লা ঈথৈ লৌখোং য়াম্না ফজনা পীবিবা ঙমদবা অসি লৌমি অমা ওইনা ৱারৌদবা ঙমদে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অসুম্মক লৈরগদি চান-থক্লবা পোৎলমশিংদা মীপান তাংদুনা লৈবা তাবনি। লৌমিশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লৈমখোংমপালগী মোইৱাইথেম রনবির হায়, তেল্লৌ-চানা, নোংঙাদা, নোংগ্রেন, নোংদম, লম্লাই, চিংনুংকোক, লৈমখোংমপাল অমদি শৈজাংগী চাউরবা লৌফমশিং অসি চহী খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না ফংদবা মরমনা লৌ মপুং ফানা পান্দুনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা হায়বদু ওইদ্রি। ঐখোয়না য়াম্না ঙক্লিবদি হায়রিবা খুঙ্গংশিং অসিগা য়াম্না নক্লা লৈরিবা থৌবাল দামগী ঈশিং অসি লৌফমশিং অসিদা ফংনবা শেন্দিদনা ইম্ফাল তম্না পুখিবা অসিনি। করিগুম্বা লৌফমশিং অসিদা থৌবাল দামগী ঈশিং খরা ফংহন্নবা হোৎনবিরবদি ঈশিং ফংদবনা লৌ উবা য়াদ্রিবা অসি খরমখৈদি শাফগদবনি। কয়ারক হন্না হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবদা মায়কৈ অসিগী লৌমিশিংগী খোল্লাউ তাবিবা কৌবা লৈত্রি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মায়কৈ অসিগী লৌমিশিংগীদমক লৌউবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং লৈঙাক্লা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না ফোঙদোরকখি।

মমাং চহীদা ইকং থোকখিবনা মরম ওইদুনা নোং খজিক তাবা হৌরকপদা লৌ উনবা হায়দুনা লৌ শেম্বা হৌনরক্লবসু লৌ হুন্নবা ফৌদি লৈতবা অমদি লোকদাউন লৈবনা চৎথোক-চৎশিন য়াদবনা লৌমিশিং কোক্তা খুৎ হাপ্পা হায়বদু ওইরে। মণিপুরগী লৌমিশিংনা লৌ উবদা মতেং পাংগনি হায়না লৈরিবা লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, কাউ অমদি আই সী এ আরনা হন্দক্কী ওইনা লৌমিশিংদা পীনবা ফৌদি লৈতে হায়রকপা অমদি লৈঙাক্লা শেল কয়া থাদুনা ফৌদি পুথোক্লবা হায়দুনা ৱাংবনদা লৈবা রাইস রিসর্ছ ষ্টেসন শেমখ্রবসু ঙসি ফাওবদা মথৌ তৌদনা লৈবা লোয়ননা লৌমিশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং লৈঙাক্লা হকথেংননা খঙদোক্লনবা হোৎনবিদবা অসি লাইবক থীবনি। মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট অমদি রিবর লিভ ইরিগেসনগী খুৎথাংদা লৌমিশিংদা ঈশিং ফংহনবা মথৌ তাই। মণিপুরদা লৈরিবা লৌফম হেক্টর লাক্ষ অমগা মখাইরোম অসি মতম চানা লৌ উবা য়ানবা লৈঙাক্লা অথুবদা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎনবা হোৎনবিয়ু। লৌউ শিংউবগা মরী লৈনরিবা দিপার্টমেন্টশিং লৈঙাক্লা মথৌ ফজনা তৌহন্দুনা সীদ পোলিসি, ইরিগেসন অমদি অহোংবা মমলদা হার ফংহনদুনা লৌমিশিংনা লৌ উবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং মতম চানা ফংহহনবিয়ু হায়নসু মোইরাংথেম অঙম্বানা ফোঙদোরকখি।

ফ্লাইট ৩দা পেসেঞ্জর ৫৩১ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস):

মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুর য়ৌগদবা পেসেঞ্জর ৫৩১ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট অহুমদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা (ইন্দিগো ৬ঈ ২৫১) ফ্লাইটতা নুপা ১৫৩, নুপী ৫৬, অঙাং ১০ য়াওনা পূন্না ২১৯ থুংলখি। ফ্লাইট অসি অয়ুক্কী পুং ১০.১৪ রোম তাবদা ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর ১৩৪ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। অয়ুক পুং ১১.০২ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালদগী এয়রপোর্টতা (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) ফ্লাইটতা নুপা ৯৯, নুপী ৬২, অঙাং ৮ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৬৯ থুংলখি।

ফ্লাইট অসিনা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২৬ রোম তাবদা ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর ৫২ রোম দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩২ রোম তাবদা দিল্লিদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা এয়র ইন্দিয়া (এ আই- ৮৮৯) ফ্লাইটতা নুপা ৯৪, নুপী ৪৭ অমদি অঙাং ২ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৪৩ রোম থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিলগী পুং ৩.৩৬ রোম তাবদা ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর অঙাং ৩ য়াওনা পূন্না মীওই ১২৯ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

অমরোমদা, ঙসি দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলখিবা পেসেঞ্জর ৫৩১ অদুগী মনুংদা য়াওরকপা আর্মি অমদি অসাম রাইফলসকী ফেমিলি য়াওবা পর্সনেল খরদি মখোয়গী আর্মি য়ুনিট ক্কারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরগনি হায়দুনা চৎখি। অদুগা অতৈ পেসেঞ্জরশিংনা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী তোঙানবা বসশিংদা তোংলগা ঘরিদা লৈবা ঐচ আর দি স্কুলদা পুরগা থমখি। মফম অদুদগী অমুক মখোয়-মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মখোয়গী ক্কারন্টিন সেন্টরদা পুখি।

ঙসি ফাওবদা মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা ফ্লাইটতা পুশিল্লকখিবা মীওই ৪২১৫ রোম শুরে। মরকসিদা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪২ রোম তাবদা পাৱন হন্স চোপ্পর অমা আইজোলদগী পাইরক্লগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা তারকখি। চোপ্পর অদুদা পুরকপা মেদিকেল ইক্বিপ্টমেন্টশিং থল্লন্নগা অয়ুক্কী পুং ১১.২০ রোম তাবদা আইজোলগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

CROSSWORD-3465



ACROSS

1 Small smooth rounded stone (6)
4 New (6)
8 Large crow (5)
9 Zeal (7)
10 Curries (anag) (7)
11 Modify (5)
12 Red food dye (9)
17 Pale brownish-yellow colour (5)
19 Inferred (7)
21 Sparkle (7)
22 Interrogate (5)
23 Irritable (6)
24 Traditional Scottish dish (6)

DOWN

1 Robbery at sea (6)
2 Camp out (7)
3 Countries (5)
5 Tell a story (7)
6 Match result (5)
7 Mock (6)
9 Taboo (9)
13 Fastest land animal (7)
14 Deficient (7)
15 Purchased (6)
16 Grown-ups (6)
18 Raise aloft (5)
20 Doctrine (5)

Solution 3464

H	E	A	P	■	A	M	B	R	O	S	I	A
O	■	U	■	C	■	I	■	I	■	T	■	I
R	E	D	W	O	O	D	■	G	U	A	R	D
N	■	I	■	F	■	D	■	H	■	M	■	A
P	R	O	O	F	■	L	A	T	V	I	A	■
I	■	■	■	E	■	E	■	■	■	N	■	S
P	I	S	C	E	S	■	D	E	C	A	M	P
E	■	T	■	■	■	I	■	N	■	■	■	L
■	B	R	O	K	E	N	■	M	O	V	I	E
C	■	A	■	A	■	V	■	I	■	E	■	N
O	W	N	U	P	■	A	T	T	I	R	E	D
M	■	G	■	U	■	I	■	Y	■	G	■	I
B	L	E	A	T	I	N	G	■	R	E	A	D

SOLUTION ON NEXT ISSUE

থবক শুদবা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা খুৎশুমল পীবা য়ারোই : বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস): এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক শুদবা জোব কার্দ হোল্দরশিংদা খুৎশুমল পীবা য়ারোই হায়না মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধী রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কিম (এম জি এন আর ঈ জি এস)কী মতাংদা প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী (পি আই এ)শিংগা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা য়াওনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈরি হায়দুনা ঐখোয় তুমদুনা লৈথোকপা য়াবা মতম নত্তে। অঙম্বা থাক্তা থবক শুসি। মীপান তাংদনবা শুবা-নোম্বগী হৈনবী লৈহনসি। হৌখিবা চহী খরগী মমাংদা ষ্টেট অসিদা এম জি এন আর ঈ জি এসকী লৈরম্বা পর্ফোর্মেন্সশিংগী মতুংইন্না স্কিম অসিগী মখাদা নুমীৎ মশীং য়াম্না থবক শুবগী অয়াবা ফংলমখিদে। অদুবু হৌজিক্তি লৈঙাক অসিনা কন্না হোৎনবদগী শেনবা চহী ২০১৯-২০ দদি চাংচৎতা নুমীৎ ৪৮নি থবক পীবা ঙমখি।

এম জি এন আর ঈ জি এস অসি দিমান্দদা য়ুম্ফম ওইবা স্কিম অমনি। থবক হেন্না শুবা ঙল্লিবমখৈ অহেনবা নুমীৎকী শেনফম ফংবা য়াই। এম জি এন আর ঈ জি এক্তা চহী অমদা নুমীৎ ১০০নি থবক পীগদবনি হায়রগসু ষ্টেট অমত্তনা ঙম্বা নত্তে। অদুবু ষ্টেট অসিদা নুমীৎ ১০০নি থবক পীননবা লৈঙাক্লা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক লাইএবিলিটি ক্রিয়েট তৌবা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী পান্দম অসি থবক্তা ওম্ভোক্লনবা পি আর আইশিংগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ।

ষ্টেটকী একাউন্টতগী বি দি ওশিংগী একাউন্টতা শেল থাদোকখ্রবসু হান্নগী থবক শুবা লোইশিন্দবা অমদি লোগো থেৎতবনা মখা তাবা শেনফম বেনিফিসরিশিংদা পীথোকপা য়াদবনি। মরম অদুনা জিল্লা পরিষদ, প্রধান অমসুং মেম্বরশিংনা অথুবদা মথৌ তাবা থবকশিং অদু পাঙথোকপীয়ু। এম জি এন আর ঈ জি এসকীদমক শেলগী অৱাৎপা লৈতে। হন্দক্তা লুপা ক্রোর ৭২০ রোম থাদোকখিবা অদুগী মখা তাবা ওইনা লুপা ক্রোর ২২২ অমসু থাদোক্লবা থৌরাং লৈ। শা-ষণ লোইবা, মহৈ পানবা উপান্বীশিং থাবা, নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা অমদি ঙা য়োক্লবা পুখ্রি তৌবা, নুপীশিংগী ৱর্ক শেদ শাদুনা থবক শুফম-নোম্ফম পীনবা হোৎনবা, য়ুম লৈজদ্রবশিংগী য়ুম শাবীবা অসিনচিংবা থবকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবসু মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখি।

মীফম অদুদা থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো; ওইনাম এ সীগী এম এল এ, এল রাধাকিশোর; কুম্বী এ সীগী এম এল এ, এস বির; বিষ্ণুপুর জিল্লা পরিষদকী অধ্যক্ষ্য ডা. এল রোমাবতি অমসুং আর দি এন্দ পি আরগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি লোলরুৱাউল ফিমাতেসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুগী মাংওইননা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা লুচিংদুনা মীয়াম্না উ চারাশিংসু থাখি।

ক্কারন্টিন সেন্টরশিং এম ঐচ আর সীনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কীদমক লৌখৎলক্লিবা চেকশিন-থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হাংদোক্লিবা ক্কারন্টিন সেন্টরশিং লেপ্তুনা য়েংশিল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা লুচিংবা টিম অমনা ককচীং দিষ্ট্রিক্তা হাংদোক্লিবা ক্কারন্টিন সেন্টরশিংগী ফীভমশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিদা কম্মিসনগী সেক্রেটরি অমসুং ওফিসলশিং য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমদি এস পিসু শরুক য়াখি। মখোয়না ককচীংগী গুদ শেফর্দ স্কুল, সুগ্নুগী গেষ্ট হাউস অমসুং উমাথেলগী জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয়া (জে এন ভি)দা হাংলিবা ক্কারন্টিন সেন্টরশিংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বদুগী মতাংদা ইনক্বারি চত্থরগা ইনভেষ্টিগেসন তৌখি হায়রি।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না এক্টিং চ্যেরপর্সন অমসুং টিম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা ককচীংগী অঙান চীংদা লৈবা ইকো পার্ক অমসুং গুদ শেফর্দ স্কুল ক্কারন্টিন সেন্টরগী কমপ্লেক্সতা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা লমদম অসিগী ইন্দিজিনস উপিংগী চারাশিং থাখি হায়রি।

নুপা অমা সাইরেম খুলদা শিরম্লে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সাইরেম খুলদা লৈবা সন্তাম জয়কুমার কৌবা অমগী শুমাংদা য়ুমগা শম্ননা খনবা পাখন অমগী ফৈরেনদা নুপা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং নিংথৌজম মৈরাবা (২৬) অপোকপা এন চাওবী কৌই। মহাক সগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈবী হৈকক মপালদা লৈবনি। ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা সাইরেম খুলদা অশিবা হকচাং অমা লৈরে হায়দুনা খুঞ্জাশিংনা লমশাং পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীরকখি হায়রি। লমশাং পুলিসনা থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিনবগা লোয়ননা মোবাইল ফোরেন্সিক য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাঙবুসু লাক্তুনা কুপ্পা য়েংশিনখি।

অমরোমদা লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মীওইনা ফোঙদোরকপদা মৈরাবা ঙরাং নুংথিল ক্যামগৈদা লৈবা মচেগী মনাক্তা গাড়ী থিনগনি হায়দুনা য়ুমদগী থোকখিবনি হায়রি। পুলিসনা অশিবা হকচাং অদু লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা রিমসকী মোর্গতা পুরক্লগা থমখ্রে।

শেলগী তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২দা মশাগী অনাবা অমদগী খঙহৌদনা লৈখিদ্রবা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)গী মেম্বর এদভোকেট নাওরেম দিনাচন্দ্রগী ইমুংদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা টিম অমনা চৎতুনা শেলগী তেংবাং পীখ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা এদভোকেট এন দিনাচন্দ্র শীংজমৈ চীংঙামখা ইরোম লৈকাইদগীনি।

মহাক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ষ্টেন্দিং কাউন্সেলশিংগী মরক্তা অমা ওইরমখি হায়রি।

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3264

					9	4	1	
				4	7		3	
		8		2		6		5
	3	1				2		
			9		5			
		9				5	8	
7		4		6		1		
	1		2	9				
	8	6	7					

Solution-3263

2	5	3	4	1	6	8	9	7
8	1	4	7	3	9	2	6	5
9	7	6	8	5	2	1	4	3
1	4	9	5	6	8	7	3	2
3	8	2	1	9	7	6	5	4
7	6	5	3	2	4	9	8	1
6	9	1	2	4	3	5	7	8
4	2	8	9	7	5	3	1	6
5	3	7	6	8	1	4	2	9

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers


লুখ্রাবীমচাদু লুম-লুমদুনা চঙলক্লম্মী।
অদুগা থোংনাওদা লুমদুনা লৈরম্মী।
তাঞ্জাদুদা অসিজোলনেং খোংদ্রুমদগী থোরক্লম্মী।

অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম